# ৱর্ল্ড কপঃ এম্বাপেনা মহাক্কী হৈশিংবশিং অমুক হন্না উত্তুনা ফ্রান্স টিম মায় পাকহনখ্রে, ৱর্ল্ড কপ ৬ লক শরুক য়ারকপদা তরুকমক্তা পাঞ্জল চনবা ঙম্বা শান্নরোয় রোনাল্ডোনা অহানবা ওইরে



ফ্রান্সকী কেপ্টেন কিলিয়ান এম্বাপে অমসুং ইরাককী দিফেন্দর রেবিন সুলাকানা বোল মুন্নবা

**ফিলাদেলফিয়া, জুন ২৩ (এজেন্সী):**

**ফ্রান্স অমসুং ইরাক**

ঙসি অয়ুক পুং ২.৩০ তাবদগী হৌরগা ফিলাদেলফিয়াদা লৈবা লিনকোলন ফাইনান্সিএল ফিল্ডদা ৱর্ল্ড কপ চেম্পিয়ন অনীরক ওইবা ঙমখ্রবা ফ্রান্স অমদি ইরাককী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি।

ফ্রান্সনা ৪-২-৩-১ ফোর্মেটতা অদুগা ইরাকনা ৪-৫-১ ফোর্মেটতা শান্নবা হৌখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ফ্রান্সকী শান্নরোয়শিংনা বোল খরা হেন্না পায়দুনা শান্নবা হৌখি। মেটচ অসিদা ফ্রান্সনা বোল পায়বগী চাং চাদা ৫৬ ওইখিবা মতমদা ইরাকনা বোল পায়বগী চাং চাদা ৪৪ ওইখি।

মেটচ অসিদা ফ্রান্সনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়নননা মেটচ অদুগী হৌগৎলকপা ১৪ শুবা মিনটতা লৈবাক অদুগী কেপ্টেন কিলিয়ান এম্বাপেনা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। ইরাককী ওইনা কাউন্তর এটেকশিং চথুদুনা শান্নবা ঙম্লবসু টার্গেট তম্না কিক কাওশিনবগী খুদোংচাবদি ফংবা ঙমখিদে। মদুনা মরম ওইরগা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙমখিদে। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা ফ্রান্সনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুদসু ফ্রান্সকী টিমনা বোল হেন্না পায়দুনা অদুম্মক লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অদুগী ৫৪ শুবা মিনিটতা এম্বাপেনা মহাক্কী অমদি টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমদুনা পাঞ্জল ২-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। মেটচ অদুগী ৬৬ শুবা মিনটতা ফ্রান্সকী ও দেম্বেলেনা টিমগী অহুমশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। লৈবাক অনীনা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখিবা অদুগী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা ইরাককী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু ফ্রান্সনা পাঞ্জল ৩-০দা মায় পাকখি। মেটচ অসিদা ফ্রান্সনা ফজবা শুট ১৯ কাওবা ঙমখিবগী মনুংদা ইরাকনা ৪ খক্তমক কাওবা ঙমখি।

**নোর্ৱে অমসুং সিনেগল**

ঙসি অয়ুক পুং ৫.৩০ তাবদগী হৌরগা ন্যু জর্সিদা লৈবা মেটলাইফ ষ্টেদিয়মদা নোর্ৱে অমসুং সিনেগলগী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি। নোর্ৱেনা ৪-১-২-৩ ফোর্মেটতা অদুগা সিনেগলনা ৪-৩-৩ ফোর্মেটতা শান্নবা হৌখিবা মেটচ অদুগী ওইনা সিনেগলগী শান্নরোয়শিংনা বোল খরা হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অসিদা সিনেগলনা বোল পায়বগী চাং চাদা ৫৭ ওইখিবা মতমদা নোর্ৱেনা বোল পায়বগী চাং চাদা ৪৩ ওইখি।

সিনেগলনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙম্লবসু নোর্ৱেনা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অদু মেটচ অদুগী ৪৩ শুবা মিনটতা নোর্ৱেগী শান্নরোয় এম ঐচ পেদরসননা চনখিবনি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা নোর্ৱেনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈবা ঙমখি। অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুদা সিনেগলনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙম্নবা অকনবা মওংদা হোৎনরবসু নোর্ৱেগী দিফেন্সিভ লাইন লিংখিবনা মরম ওইরগা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙমদনা লৈখি।

অমরোমদা, অনীশুবা হাফকী হৌগৎলকপা ৪৮ শুবা মিনটতা নোর্ৱেগী অর্লিং হলান্দনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা সিনেগলদগী পাঞ্জল ২-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। বোল পায়দুনা শান্নবা ঙম্লিবা সিনেগলনা মেটচ অদুগী ৫৩ শুবা মিনটতা চথুরকখিবা কাউন্তর এটেক অমা টিম অদুগী শান্নরোয় ইস্মাইলা সারনা হৈন-শিংনা পাঞ্জলদা ওন্থোকপা ঙমখি। পাঞ্জল চনবা ঙম্বগী হরাওবা নুংঙাইবা মপুং ফানা ফোঙদোকপা লোইদ্রিঙৈ ইকান কান্নদনা ৮ শুবা মিনটতা নোর্ৱেগী অর্লিং হলান্দনা টিমগী ৩ শুবা অদুগা মহাক্কীনা অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। লৈবাক অনীগী শান্নরোয়শিংনা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখিবা অনীশুবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইমদা সিনেগলগী ইস্মাইলা সারনা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখ্রবসু মেটচ লোইবা ফাওবদা মখা তাবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু নোর্ৱেনা পাঞ্জল ৩-২দা মায় পাকখি। গ্রুপ আইগী ওইনা ঙসি মায় পাকখ্রবা ফ্রান্স অমদি নোর্ৱেনা পোইন্ট ৬/৬ ফংলগা পোইন্ট টেবলদা মথংশিংনা অহানবা অমদি অনীশুবা মফমদা লৈরি।

**জোর্দান অমসুং অলজেরিয়া**

ঙসি অয়ুক পুং ৮.৩০ তাবদগী হৌরগা গ্রুপ জেগী মেটচ ওইনা সান্ট ফ্রান্সিসকো বে এরিয়াদা লৈবা লেভিস ষ্টেদিয়মদা জোর্দান অমসুং অলজেরিয়াগী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি।

জোর্দাননা ৩-৪-৩ ফোর্মেটতা অদুগা অলজেরিয়ানা ৪-৩-৩ ফোর্মেটতা শান্নবা হৌখিবা মেটচ অদুগী ওইনা অলজেরিয়াগী শান্নরোয়শিংনা হৌগৎলকপদগী বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অসিদা অলজেরিয়ানা বোল পায়বগী চাং চাদা ৭৫ ওইখবা মতমদা জোর্দাননা বোল পায়বগী চাং চাদা ২৫ খক্তমক ওইখি।

লৈবাক অনীনা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখিবা মেটচ অদুদা অলজেরিয়ানা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙম্লবসু জোর্দাননা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অদু মেটচ অদুগী ৩৬ শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোয় নিজর অল-রসদাননা চনখিবনি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা জোর্দাননা অলজেরিয়াদগী পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুদা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙম্লিবা অলজেরিয়াগী শান্নরোয়শিংনা পাঞ্জল চনবা য়াবা কাউন্তর এটেকশিং মশিং হেন্না চথুদুনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়নননা মেটচ অদুগী ৬৯ শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোয় নাধির বেনবৌলিনা পাঞ্জল অদু ইক্বেলাইজ তৌদুনা পাঞ্জল ১-১দা মান্ননা লৈখি। মখা তানা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ৮২ শুবা মিনটতা অলজেরিয়াগী অমিনে গৌরিনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। মেটচ লোইবা ফাওবদা জোর্দানগী মায়কৈদগী মখা তাবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু অলজেরিয়ানা পাঞ্জল ২-১দা মায় পাকখি। গ্রুপ জেগী ওইনা ঙসি মায় পাকখ্রবা অলজেরিয়ানা পোইন্ট টেবলদা পোইন্ট ৩ ফংলগা অহুমশুবা মফমদা লৈরি। অদুগা অর্জেন্টিনা অমদি ওষ্ট্রিয়ানা পোইন্ট টেবলদা মথংশিংনা অহানবা অমদি অনীশুবা মফম কন্দুনা লৈরি।

**পোর্টুগল অমসুং উজবেকিষ্টান**

ঙসি নুমিদাং পুং ১০.৩০ তাবদগী হৌরগা হ্যুষ্টনদা লৈবা এন আর জি ষ্টেদিয়মদা পোর্টুগল অমসুং উজবেকিষ্টানগী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি। পোর্টুগলনা ৪-২-৩-১ ফোর্মেটতা অদুগা উজবেকিষ্টান ৩-৪-৩ ফোর্মেটতা শান্নবা হৌখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী পোর্টুগলগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অসিদা পোর্টুগলনা বোল পায়বগী চাং চাদা ৬৪ ওইখিবা মতমদা উজবেকিষ্টাননা বোল পায়বগী চাং চাদা ৩৬ ওইখি।

লৈবাক অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ৬ শুবা মিনটতা পোর্টুগলগী কেপ্টেন খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবগা লোয়নননা ৱর্ল্ড কপ ৬ শরুক য়ারকপদা ৬ মক্তা পাঞ্জল চনবা ঙম্বা অহানবা শান্নরোয় ওইদুনা অনৌবা রেকোর্দ থম্বা ঙমখ্রে।

টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ১৭ শুবা মিনটতা পোর্টুগলগী ওইনা দি বোক্স মনাক্তগী ফ্রী কিক কাওনবগী খুদোংচাবা অমা ফংখি। ফ্রী কিক অদু অয়েংবশিংনা উবদা রোনাল্ডোনা কাওগদবা মানখি। মদুনা মরম ওইরগা উজবেকিষ্টানগী শান্নরোয়শিংনসু রোনাল্ডোদা অহেনবা মীৎয়েং থমখি। অদুমওইনমক রেফরি হেক খোঙলকপগা রোনাল্ডোনা কাওবগী মহুৎ টিম অদুগী শান্নরোয় নুনো মেন্দেসনা কাওশিন্দুনা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখি।

মেটচ অদুগী ৩৯ শুবা মিনটতা রোনাল্ডোনা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল চন্দুনা উজবেকিষ্টানদগী পাঞ্জল ৩-০দা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনসু পোর্টুগলগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা মখা তানা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অদুগী ৬৯ শুবা মিনটতা পোর্টুগলগী মায়কৈদগী কাওশিল্লকখিবা কোর্নর কিক অমা থিংনবা হোৎনবদা শোয়বদগী উজবেকিষ্টানগী গোল কিপর এ নেমাটোপনা মশাগী মায়কৈদা পাঞ্জল চনশিঙখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুনা পোর্টুগলনা পাঞ্জল ৪-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। মেটচ অদুগী ৮৭ শুবা মিনটতা পোর্টুগলগী শান্নরোয় আর লিওননা মখা তানা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা উজবেকিষ্টানগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু পোর্টুগলনা পাঞ্জল ৫-০দা মায় পাল্লবা মতুং গ্রুপ কেগী পোইন্ট টেবলদা পোইন্ট ৪ ফংদুনা খ্বাইদগী মকোক থোংনা লৈবা ঙল্লি।

হৌখিবা কুমজা ২০০৬তা ইহান হান্না ৱর্ল্ড কপতা রোনাল্ডো শান্নবা হৌরকখিবনি। হায়রিবা এদিসন অদুদগী হৌরগা কুমজা ২০২৬ ফাওবদা চথুরকখিবা ৱর্ল্ড কপ এদিসন ৬ মক্তা মহাক্না পাঞ্জল চনবা ঙমদুনা অনৌবা রেকোর্দ থম্বা ঙমখিবনি।

নাকল অমরোমদা, অর্জেন্টিনাগী টিম কেপ্টেনসু ওইরিবা ৱর্ল্ড কপতা পাঞ্জল মশিং খ্বাইদগী য়াম্না চনবা ঙম্বা শান্নরোয় লিওনেল মেসিসু কুমজা ২০০৬তগী ৱর্ল্ড কপতা ইহান হান্না শান্নবা হৌরকখিবনি। মহাকসু ৱর্ল্ড কপকী এদিসন ৬ শান্নরে অদুবু হৌখিবা কুমজা ২০১০দা সাউথ অফ্রিকানা য়ুম্থু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড কপতা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমহৌদবদগী অনৌবা রেকোর্দ অসিনা মহাক্না থম্বা ঙমখিদবনি।



৩৯ শুবা মিনটতা রোনাল্ডোনা উজবেকিষ্টানগী মায়োক্তা চনখিবা পাঞ্জল কাওশিনবগী শক্তম

| Date & Time in IST | | Match | | Group | Match No. | Venue |
|---|---|---|---|---|---|---|
| June 24, 2026 | 01.30 am | England | Ghana | L | 46 | Boston Stadium, Foxborough |
| | 04.30 am | Panama | Croatia | L | 47 | Toronto Stadium, Toronto |
| | 07.30 am | Colombia | Dr Congo | K | 48 | Estadio Guadalajara, Zapopan |
| June 25,2026 | 12.30 am | Switzerland | Canada | B | 49 | BC Place, Vancouver |
| | 12.30 am | Bosnia and Herzegovina | Quatar | B | 50 | Seattle Stadium, Seattle |
| | 03.30 am | Morocco | Haiti | C | 51 | Mercedes Benz Stadium, Atlanta |
| | 03.30 am | Scotland | Brazil | C | 52 | Hard Rock Stadium, Mjami |
| | 06.30 am | South Africa | South Korea | A | 53 | Estadio BBVA, Monterrey |
| | 06.30 am | Czechia | Mexico | A | 54 | Estadio Azteca, Mexico City |

## টকৱা ত্রোফিঃ ৱাঙ্গৈই এফ সীনা আই এম এফ সী অদুগা পোইরৌখোংজিন এফ সীনা জি-৫ হৈরোক থোইখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচ এন এস):**

তেন্থা খোঙবাল ৱেলফেয়র এসোসিএশন (টকৱা)না শীন্দুনা তেন্থাদা লৈবা মল্টিপ্লেক্স গ্রাউন্দদা চথুরিবা টকৱা ফুটবোল ফেষ্টিবেল ২০২৬কী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেটচশিংদা ৱাঙ্গৈই এফ সীনা আই এম এফ সী অদুগা পোইরৌখোংজিন এফ সীনা জি-৫ হৈরোক থোইখ্রে।



ঙসি নুংথিল পুং ৩.১৫ তাবদগী হৌরগা আই এম এফ সী অমসুং ৱাঙ্গৈই এফ সীগী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা বোল পায়বগী চাং মান্ননা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা অমনা অমবু লাকচনা কন্ট্রোল তৌদুনা শান্ননবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙমখিদে। নাকল অনীনা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখিবা অদুগী ২৪ শুবা মিনটতা আই এম এফ সীগী অকাসনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখিবগা লোয়নননা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী হৌগৎলকপা ৩১ শুবা মিনটতা ৱাঙ্গৈই এফ সীগী প্রিতমনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখিবদগী নাকল অনীনা পাঞ্জল ১-১দা মান্ননা লৈখি। মখা তানা শান্নখিবা মেটচ অদুগী লেমহৌরিবা মিনটশিংদা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা মখা তাবা পাঞ্জলশিং চনবা ঙম্নবগীদমক মখোয় মখোয়গী হৈশিংবশিং মপুং ফানা উথোক্তুনা শান্নখি। মেটচ অদুগী ৪১ শুবা মিনটতা ৱাঙ্গৈই এফ সীগী বিপিননা মখোয়গী টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি।

আই এম এফ সীগী মায়কৈদগী মখোয়গী মায়োক্তা চনশিনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙম্নবা কাউন্তর এটেকশিং চথুদুনা শান্নবা হৌরকখি। মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা আই এম এফ সীগী ওইনা মখা তাবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু ৱাঙ্গৈই এফ সীনা পাঞ্জল ২-১দা মায় পাকখি। শান্নখিবা মেটচ অদুগী মেন ওফ দি মেটচকী টাইটলনা ৱাঙ্গৈই এফ সীগী বিপিননা তাখি। মেটচ অসিদা আই এম এফ সীগী শান্নরোয় সচিনবু রেফরিনা য়েল্লো কার্দ অমা বুক তৌখি।

ঙসি নুংথিল পুং ৪.৩০ তাবদগী হৌরগা জি-৫ হৈরোক অমসুং পোইরৌখোংজিন এফ সীগী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা পোইরৌখোংজিন এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা বোল খরা হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অসিদা পোইরৌখোংজিন এফ সীনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙম্লবসু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ৩১ শুবা মিনটতা পোইরৌখোংজিন এফ সীগী দাইমন্দনা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মখা তানা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ৪৫ শুবা মিনটতা দাইমন্দনা মহাক্কী অমদি টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। জি-৫ হৈরোক্কী মায়কৈদগী মখোয়গী মায়োক্তা চনশিনখিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোকপা ঙম্নবা অকনবা মওংদা হোৎনরবসু মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু পোইরৌখোংজিন এফ সীনা পাঞ্জল ২-০দা মায় পাকখি। মেটচ অসিদা জি-৫ হৈরোক্কী শান্নরোয় অহুম অদুগা পোইরৌখোংজিন এফ সীগী শান্নরোয় ২দা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

## বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক গেমসকী মতাংদা খন্নখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচ এন এস):

মথং থাগী ২ শুবা চয়োলদগী হৌরগা পাঙথোক্ল বগীদমক হৌজিক হৌজিক শেম শাবগী থবক চথুরিবা অহানবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক গেমসকী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্কী য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা ময়ায় তাংবল লৌরগা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা পাঙথোকখিবগা লোয়নননা শেম শারিবশিং অদুগী মতাংদা হকথেংননা য়েংশিনখ্রে।



রিভ্যু মীটিং অদুদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক এসোসিএশননা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল স্পোর্টস মীট অসি মায় পাকপা ঙম্নবা হোৎনখিবা কয়া অদু থাগৎপা ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা নহাশিংবু অফবা লম্বীদা পুরক্নবা হোৎনবদা অসিগুম্বা ইভেন্টশিং অসিনা চাওনা মতেং পাংবা ঙম্লগনি হায়না ফোঙদোকখি। ঙসিগী খন্ন-নৈনবগী থৌরম অদুদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী দিপ্যুটি কম্মিস্নর পুজা এলাংবমনা শেম শারিবা কয়াগী মতাংদা পৱার পোইন্ট প্রজেন্টেসন পীখি।

## নেরোকা ফুটবোল ক্লবনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

**ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচ এন এস):**

নোর্থ ইষ্টন রিওর্গনাইজিং কলচরেল এসোসিএশন (নেরোকা) ফুটবোল ক্লবকী মতম কুইনা হেদ কোচ ওইনা থৌ পুরমখিবা গিফট রাইখাননা ঙরাং মনুং মতম চাদনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা নেরোকা এফ সীগী মায়কৈদগী অৱাবা অমদি ইকায় খুম্নবা ফোঙদোরক্লি।

কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা মপাও জিংতুন খুলদগী লৈখিদ্রবা ফুটবোলগী কোচ গিফট রাইখাননা কুমজা ২০১৬তগী হৌরগা নেরোকা এফ সীগীদমক কখোকপা অমগা লোয়নননা অৱাংবা থাক্তা ক্লব অসিবু চাওখৎনবগীদমক হোৎনরমখিবা মীশক অমনি। মহাক্কী লমজিং লমতাক মতুংইন্না কুমজা ২০১৫-১৬কী মতমদা নেরোকা এফ সীনা আই-লিগ সেকেন্দ দিভিজন কাওবা হৌখি। মদুগী ওল্লকপা চহীদা নেরোকা এফ সীনা হিরো আই লিগতা প্রমোসন ফংবা ঙমখি। মসিগা লোয়নননা কুমজা ২০১৬-১৭ সিজনগী হিরো আই লিগতা নেরোকা এফ সীনা টিম রন্নর্স কপকী টাইটল লৌবা ঙমখিবগা লোয়নননা দুরান কপ ২০১৬তসু টিম রন্নর্সঅপকী টাইটল লৌবা ঙমখি হায়না ক্লব অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. এন মনিমোহননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অসিগী মতুংইন্না নেরোকা এফ সীগী প্রসিদেন্ট থাংজম অরুনকুমারনা ময়ায় তাংবল লৌদুনা লৈখিদ্রবা কোচ গিফট রাইখানগী পোক্নফম মপাও জিংতুন খুলদা চৎতুনা অৱাবা ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা ইকায় খুম্নবা উৎখি হায়রি।

State Bank of India
Central Recruitment & Promotion Department
Corporate Centre, Mumbai
Phone: 022-22820427

RECRUITMENT OF PROBATIONARY OFFICERS

Applications are invited from eligible Indian citizens for appointment as Probationary Officer in State Bank of India.

NUMBER OF VACANCIES: 1500

Eligibility criteria (age, qualification etc.), requisite fee and other details, along-with a link for online submission of application and online payment of application fee, are available on to Bank's website https://sbi.bank.in/careers/current-openings under Advertisement No. CRPD/PO/2026-27/09. Candidates are advised to go through the detailed advertisement and ensure their eligibility and other details before applying and remitting fee.


- DATE FOR ONLINE REGISTRATION & PAYMENT OF FEE: 18.06.2026 TO 08.07.2026

For any query, please write to us through the link "CONTACT US" which is available on Bank's official website mentioned above.

Place: Mumbai
Date: 18.06.2026
General Manager (RP & PM)

HL-B/11454/24

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1857**

**William Coe (2078) - Alan H Morris-Suzuki (1791)**
**Titled Tue 18th Jun Late chess.com INT (6), 2024.06.18**

1.e4 a6 2.Nf3 b5 3.d4 Bb7 4.Bd3 e6 5.O-O c5 6.c3 Nf6 7.Re1 d6 8.Bg5 Nbd7 9. ...

**QUESTION : White to win**

**Puzzle 1856 Solution :**

**25. Qg7+** *The white queen clears the way for White's knight to the square g6.* **Bxg7** *Blocking square g7.* **26.Ng6#**
**1-0**

## পি আর ৱাই এ খুন্দ্রাকপম অমসুং সী এস সী চনুং টিমশিং মায় পাকখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচ এন এস):**

য়ুমশারোল পাঙ্গৈনা স্পোন্সর তৌরগা ইম্ফাল ইষ্ট অপুনবা ফুটবোল ক্লবনা শীন্দুনা পি আর ৱাই এ ফাউন্দর্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬কী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেটচশিংদা পি আর ৱাই এ খুন্দ্রাকপম অমদি সী এস সী চনুং টিমশিং মায় পাকখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা ফুটবোল টিমনা শরুক য়াদুনা চথুরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অহানবা গ্রাউন্দগী ২৮ শুবা লিগ মেটচতা পি আর ৱাই এ খুন্দাকপম অমদি নিভসো কৈবীগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা হৈশিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অদুমওইনমক অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা পি আর ৱাই এ খুন্দ্রাকপমনা পাঞ্জল ২-০দা মায় পাখি। পি আর ৱাই এগী পাঞ্জলশিং অদু রোনাল্ডো অমদি মৈরাবনা অমমম চনখিবনি।

অনীশুবা গ্রাউন্দগী শান্নখিবা ২৯ শুবা লিগ মেটচতনা সী এস সী চনুংনা এস এস সী পোরোম্পাৎপু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখি। সী এস সীগী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু নরেশনা চনখিবনি।




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com